# ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা লুচিংবশিংগী খুদুং ইনবা চঙইঃ ইবোবি

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৩(এস এন এস)ঃ মরৈবাক মরমদম কন্নবগীদমক থৱায়না পোম্বা পীখিবা অথৌবশিংবু নীংশিংবগা লোয়নন মখোয়গী খুদুং ইনদুনা থবক তৌবা মতম ওইরে হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ওফিসতা পাঙথোকপা খোংজোম দেগী থৌরমদা অথৌবা পাউনা ব্রজবাসিগী মীতমদা লৈ শু কৎপগা লোয়নন থৌরম অসিগী মতাংদা ও ইবোবিনা হায়, কুম ১৮৯১গী ঙসিগী নুমিৎ অসি মতম অদুগী মণিপুরগী অথৌবা পাউনা ব্রজবাসি য়াওনা অথৌবা কয়ানা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোম্বা পিখিবা লোয়নন লৈবাক অসিগী নিংতম্বা মাঙখিবা নুমিৎ অদুনি।

মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখবা নীংতম লান্মীশিং অদুগী কখেকপা অমসুং থৌনা অদুবু নীংশিংদুনা মখোয়না য়াৎপীরম্বা লিক্লম অসিদা খুদুং ইন্না চৎপা ঙম্নবা হোৎনবনি। মখোয়না পীরম্বা থৌনা লিংজেল অদু চেনবা ঙমজবা ওইসনু হায়না অঙম্বা হৈ লৈ খরদং কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা হায়, ঙসি অসি মণিপুরগী অশেংবা নুমিৎ অমা ওইনা থৌরম পাঙথোকপনি। থৱায়না পোম্বা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হৈ মনা অমা লৈ মনা অমা কত্তুনা মখোয়গী লোম্বা নাইদ্রবা কখোকপা অদু নীংশিংলিবনি।

মায়থিবা অমসুং মায় পাকপা হায়বসিনা নাকল অমদা থম্লগা অথৌবশিংনা ইশা শিরবসু ইমা লৈবাক কন্দবা য়াদে হায়বগী কখোকপা অদু ঐখোয়না ফিদম লৌবা তাই হায়খি।

মতম অদুগী বৃটিশ লান্মীশিংগী মতমগা চুন্নরবা খূৎশু খূৎলায় কয়া অদু থাঙ তাখক্তনা লাম্ছেংনগনি হায়না থোরকপা থৌনা অদুবু থাগত্তবা ঙমদে। মখোয়গীদমক ঙসিগী মীরোলনা চাউথোক্লা হিংবা ঙল্লিবনি।

ঐখোয়না শিবা চংবা খঙদনা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমসুং অমত্ত ওইবগী লিপুন অসি ঙাকপা তাই হায়খি। অথৌবশিংনা চৎলম্বা লম্বী অদুগী খোঙ্গুল লিদুনা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

# এন এস সি এন (কে)গী লুচিংবা মঙা ফাজিনখ্রে

মোরে,এপ্রিল ২৩ঃ ম্যান্মারদা শাইদাং ফম লৌদুনা লৈরিবা লালহৌলূপশিং অলফা (আই),য়ু এন এল এফ,কে এল ও,এ ডি এফ বি, পি ডি সি কার্বিলোংগ্রিদা মতেং পাঙই হায়বগী মরালদা এন এস সি এন (কে)গী মকোক থোংবা লুচিংবা মঙা ম্যান্মার অর্মিনা মতম খরগী মমাঙদা ফাজিনখ্রে হায়রি। ম্যান্মার অর্মিনা ফাজিনখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী মরুওইবা লুচিংবশিং অদুদি পিস কন্মিটিগী লিদর য়ু এন কাম,স্পোক্সপার্সন য়ু ফ্যং ৱান সৈন লোয়নন ওফিসারশিং য়ু সো তৈন,উং মাই অমদি উং সাইনি। লুচিংবশিং অসি নাগা কলচরেল সেন্ট্রেল কন্মিটিনা শীন্দুনা নাগা এরিয়াদা শান্তি পূরক্লবগী মতাংদা পাঙথোকপা মীটিং অমা য়াওবা খামতি টাউন্দদা মার্চ ৮দা লাকখিবনি।

# মণিপুর ১সুং ইন্দিয়াগী নীংতম লান...

*ঙরাংগী মখা ...*

মণিপুর (কংলৈপাক)বু মনিং মখা সোভর্রেন্ট ইন্দিপেন্দেন্স ওইবা লৈবাক অমা ওইনা নৌহৌনা মশক খঙখ। ট্রিটি অসিনা বৃষ্টিস অমসুং অৱা লৈঙাক অনীনা মণিপুর (কংলৈপাক)গী শক্তম টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমসুং পোলিটিকেল ইন্দিপেন্দেন্সতা শোকপা কায়বা য়াবা থবক তৌরোই হায়না য়ানখি। ইং কুমজা ১৮৩৫ তা বৃষ্টিস ওথৌরিটিস দা পায়খৎখিবা পেম্বরটোন রিপোর্টতা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি অসাম অমসুং বন্মা লৈঙাক অনীগী তায়নফমদা লৈবা মরুওইবা এসিয়াগী সোভর্রেন্ট ষ্টেট অমনি হায়না শক তাকখি।

কোলকাটা হায় কোর্টনা ইং কুমজা ১৮৬৫ গী কৈফা সিংহ অমসুং ১৮৬৭ কী সজৌপাগী কেস শিং অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি এসিয়াটিক সোভর্রেন্ট পাৱর অমনি হায়না ফোঙদোকখি। ইং কুমজা ১৮৭৩ গী ষ্টেটিষ্টিকেল একাউন্ট ওফ মণিপুর (কংলৈপাক) দা আর. ব্রোন্না পিবা ৱারোলনা মণিপুর (কংলৈপাক) অসি অৱা লান মতুংদা মনিং মখা তম্লবা লৈবাক অমা ওইরে হায়খি। ইং কুমজা ১৮৯১ গী জুলাই ২৭ তা বৃষ্টিস ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পায়খৎখিবা মেমোরেন্দম ওফ আরগুমেন্ট ওফ বিহাপ ওফ কুল্লচন্দ্র সিংহ, রিজেন (কিং) ওফ মণিপুর (কংলৈপাক) এন্দ তিকেন্দ্রজিৎ সিংহ সেনাপাটি (কম্মান্দর–ইন–চীফ), মণিপুর (কংলৈপাক) দা অংগ্লো–মণিপুর (কংলৈপাক) ৱার থোকত্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুর (কংলৈপাক) বু মনিং তম্বা ইন্দিপেন্দেন্স সোভেন ষ্টেট অমনি হায়না মশক তাকখি। ইং কুমজা ১৯৪৭ তা বৃষ্টিস পার্লিয়ামেন্টনা ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট,১৯৪৭ পাস তৌদুনা চহীদুমক অগষ্ট তা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান কৌবা লৈঙাক অনী শেমখি। হায়রিবা ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট অসিগী সেক্সন ৭(১) গী মতুং ইন্না বৃষ্টিসনা লৌশিনদ্রিঙৈ মমাঙদা হান্না লৈজরম্বা মণিপুর (কংলৈপাক)গী সোভেন অমুক হনজিনহন্দুনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর (কংলৈপাক) অনীবু চপ মান্নবা থবক (ইক্কুইল জুরিদিকেল প্লান) দা থমখি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ না ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অমা ইনৌনৌনা পোকহনখি অদুগা হান্ননা মনিং তম্বা এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরম্বা মতমদুগী বৃষ্টিস প্রোটেক্টের ওইনা লৈরকখিবা মণিপুর (কংলৈপাক)বুনা মশাগী হান্না লৈজরম্বা নীংতম হঞ্জিনহনখি। অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা মণিপুর (কংলৈপাক) কন্সটিটুসন এক্ট চৎন্দুনা নিংতম লৈবাক অমা ওইনা লৈঙাকপা হৌখি।

শাংলবা মণিপুর (কংলৈপাক)গী পুৱারী অসি হংগৎনা য়েংবদা ইং কুমজা ১৯৪৭ তা বৃষ্টিসনা শেম্বিরম্বদগী নীংতমবা লৈবাক অমা ওইনা ফংজ হৌরবা ইন্দিয়াগা মণিপুর (কংলৈপাক)গা করিগুম্বা হিরম অমত্তগা মরি লৈনরক্তে। অদুবু লৈবাক অনী অসি মরী লৈনবা মালহল্লিবসি ইং কুমজা ১৯৪৭ কী অগষ্ট ১১ গী ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অমসুং ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন লোয়ন্না লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা ইং কুমজা ১৯৪৯গী শেপ্টেম্বর ২১ গী শিল্লোংদা তৌখি হায়রিবা মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়াম্না য়াদবা মরগর এগ্রিমেন্টনি হায়রিবা অসিন্নি। অদুবু য়ানা–চেনি হায়রিবা অনীমক মালেমগী লোগী মীৎয়েংদগীদি চৎনবা য়াবা অমতা ওইদে। অগষ্ট ১১, ১৯৪৭ দা বৃষ্টিস প্রোটেক্টোরেট মণিপুর (কংলৈপাক) অমসুং বৃটিসকী লোইলম ইন্দিয়া লৈঙাক অনীনা খূৎয়েক পীনখি হায়রিবা ইন্সত্রুমেন্ট এফ এসেসন অমসুং ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অনী অসি মালেমগী লোগী মীৎয়েং চৎনবা য়াদে। মসিগী মরমশিংদিঃ (১) বৃষ্টিস প্রোটেক্টোরেট ওইনা লৈরিবা মণিপুর (কংলৈপাক)গী নিংথৌ বুধচন্দ্র ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট ১৯৪৭ লৈত্রিঙৈদা ট্রিটি অমতা ইনবা ঙমদে। ইন্দিয়াসু বৃষ্টিস লোইলম লৈঙাক্কী মখাদা লৈবনা অতোপ্পা লৈবাক–লৈঙাক্কা য়ানা চে খূৎয়েক পীনবা ঙমদে। য়ানা চে অসি ইং কুমজা ১৯৬৯ গী ভৈনা কনবেন্সন ওন দি লো ওফ ট্রিটিস (ভি সি এল টি)গী অরটিকলস ৬,৭ অমসুং ৮ গী মতুং ইন্না লিগেল লৈতে। ভি সি এল টি অসি রিট্রেএক্টিপ ওপরেসন লৈতে অদুবু ট্রিটি শেম্বগী চৎনা কাংলোনগী য়ূমফম খরগী মালেমগী লৈবাক পুম্বা য়ানরবা চৎনদুনা লৈরম্বা কষ্টমরি নোর্মস শিংবুসু মসিদা শাগোন্নে। মরম অদুনা হায়রিবা কষ্টমরি কেরেক্টর ওইরিবা কাংলোনশিং অসিগী মতুং ইন্না ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন অমসুং ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অনী অসি মালেমগী লোগী মীৎয়েংদগী চৎনবা য়াদে মরমদি লৈঙাক অনীমক খূৎয়েক ইন্নবগী মতিক মঙম লৈতে (২) ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসন অমসুং ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রিমেন্ট অসি বৃটিশ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকি মহুৎ শিন্দুনা মতমদুগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট, ১৯৩৫ গী মতুংইন্না শেমখিবা য়ান–চেরোলশিং ওইবনা ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্ট, ১৯৪৭ কি সেক্সন ৭(১) (বি) গীমতুং ইন্না অদুগুম্বা য়ান–চেরোলশিং বৃটিশ (ইন্দিয়া) গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রিন্সলি ষ্টেটশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা–চৎনরম্বা পূন্নমক ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্ট এক্ট অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ জুলাই ১৮, ১৯৪৭ দগী মখোয়গী লিগেল ভেলিদিটি লৈহনখিদ্রে হায়রি। ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মণিপুরবু মালেমগী চৎন– কাঙলোন পূন্নমক খোঙ্গাওনরগা ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখি। ভিসিএলটিগী আর্টিকল ৫১ অমসুং ৫২ গী মতুং ইন্না লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ান–ৱারোল খূৎয়েক তৌনবা মতমদা লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমগী মীহুৎ অদুবু নমফু শিজিন্নরগা নৎত্রগা কিহন–খংহল্লগা তৌনখিবা য়ান–চে অদু চৎনবা য়াদে, মালেমগী চৎনরিবা কাংলোন্না শক খঙলোই। মসিনা মরম ওইরগা সেপ্তেম্বর ২১, ১৯৪৯ গী মর্জর এগ্রিমেন্টনি হায়রিবা অসি লিগেল ভেলিদিটি লৈতে। পূন্নমকসিগী মথক্তা সেপ্টেম্বর ২৮ দা মতমদুগী মণিপুর (কংলৈপাক) কন্সটিটুসন এক্ট ১৯৪৭ গী মতুং ইন্না মীয়াম্না মীখল তৌদুনা শেমখিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম্না শিলোংদা খূৎয়েক তৌনখিবা সেপ্টেম্বর ২১গী এগ্রিমেন্ট অদুবু মণিপুরগী সোভরেন ইন্দিপেন্দেন্সতা শিংনবনি। অমদি লমদম অসিবু ইন্দিয়ানা নম্লৌ লৌশিনবনি হায়না মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি হায়রি আগষ্ট ১৫, ১৯৪৭ তা শেমখিবা ইন্দিয়া ইন্দিপেন্দেন্স এক্টকি মতুংইন্না মতমদুদা প্রিন্সলি ষ্টেটশিং অমসুং দোমিনিয়ন গভর্ণমেন্ট অনীমক লোগী চপ মান্নবা থাক্তা লৈখি, লোয়নন মণিপুর অসি সোভরেন ইন্দিপেন্দেন্সকি থাক্তা লৈখি হায়বসি ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা ইং ১৯৫৪ দগী হৌনা ১) ভিরেন্দ্রা সিংহ ভর্সেস ষ্টেট ওফ য়ুপি (এআইআর ১৯৫৪ ৪৪৭), ২) দি ষ্টেটস ওফ সৌরাষ্ট্রা ভর্সেস মেমোম হাজি ইসমাই (এআইআর ১৯৫৯ এসসি ১৩৮৩), ৩) শ্রী রাগুনাঠরাও গানপতরাও ভর্সেস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এআইআর ১৯৯৩ এসসি ১২৬৭)নচিংবগী কেসশিংদা পীখবা ৱায়েলশিং অদুনা ময়েক শেংনা তাকখ্রবনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোক্লি। মণিপুরবু ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা নমদুনা তিনশিনখিববু ইং কুমজা ১৯৯৩ গী ওক্টোবর ২৮–২৯ দা পাঙথোকখিবা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক কনভেন্সননা এনেক্সেসননি, লিগেল ভেলিদিটি লৈতে হায়খিবগা লোয়নন ইং কুমজা১৯৯৪ গী দিসেম্বর ৮–৯ দা পাঙথোকখিবা নেসনেল সেমিনার ওন হ্যুমেন রাইটনসু মর্জর এগ্রিমেন্ট নি হায়রিবসিগী লিগেল ভেলিদিটি লৈতে হায়খি। মথক্তা পনখ্রিবা পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিং মরু ওইনা মণিপুর অমদি মতমদুগী সোভরেন পৱারশিংগা লৈনরম্বা ইন্টর্নেসনেল রিলেসনশিংনা তাক্লিবদি লমদম অসি মতম অমদা বৃটিশ লৈঙাক্না এঙ্গলো মণিপুর ৱার ১৮৯১ দা মায়থিবা পীদুনা বৃটিশ এম্পায়রগী প্রোটেক্টোরেট অমা মতুং মসিগী মাঙলুরবা সোভরেন ইন্দিপেন্দেন্স ষ্টেটস অমুক হঞ্জিন্দুনা ইং কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা ইন্দিয়ানা অমুক বৃটিশকি মতৌ তমদুনা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবদুনা ইরমদম অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি নৎত্রগা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈবাক অসি ইন্দিয়াগা মরী লৈনরকই হায়বা য়ারোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

হেন্না নুংঙাইরিবদি ইন্দিয়ানা লৈবাক কয়া থেমদুনা নৎত্রগা নমফন্দা অঙম্বা পান্বে শিজিন্নদুনা লৌশিল্লবা মতুংদা লৈবাকশিং অদু ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদগী অমুক হান্না নাম্ছোক্তুনা চৎখিদনবা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নগী মনুংদা লৈরিবা লৈবাকশিং অদুগী হান্না লৈজরম্বা নিংতম্বগী পুৱারীগা মরী লৈনবা থৌরম অমত্তা পাঙথোকহনবা হোৎনরিবা অসিনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি ইং ১৯৭২ গী আগষ্ট ১৩ দা অহানবা ওইনা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা ‘মরৈবাক নিংবশিংগী নুমিৎ’ পাঙথোক্লবা মতমদুগী পোলিটিকেল পার্টি মণিপুর পিপলস পার্টি (এমপিপি) না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অদুনা থৌরাং তৌখি। থৌরম অদু পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না চীফ সেক্রেটরী–কৃষ্ণনার্টি অমসুং ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস– মাদন গোপালগী খুত্থাংদা অথিংবা থম্লকখি। অদুবু সেন্টরগী অথিংবা ফীরেপ অদু নমখায়দুনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখলনা অকি অখং লৈত্রবা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা অনী–চীফ মিনিষ্টর এমদি অলিমুদ্দিন অমসুং এডুকেসন মিনিষ্টর, য়ুন্নাম য়াইমনা লুচিংদুনা থৌরম অদু মীয়ামগা লোয়নন করিসু তৌবা ঙমখিদে। থৌদোক অসি মতম অসুক কুইরবা ফাওবা কনাসু খঙহনখিদে। ৱাই য়াইমনা কোন্নথংদা পাউচেদা ফোঙদোরক্লবা মতমদতা খঙনরকখি। হৌজিকসু ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫এ লৌথোক্তুনা কাশ্মীরনা ইন্দিয়াদা তিনবা মতমদা য়াওরক্লবা ওটোনোমি লৌথোক্লবা হোৎনরি। অদুবু মরমদম নুংশিজবা কাশ্মীরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এনি–মেহবুবা মুফটি অমসুং অমর অবদুল্লানা মখোয়বু এন্টি ইন্দিয়াননি হায়জরবসু করিগুম্বা কাশ্মীরদগী আর্টিকল অনি অসি লৌথোক্তুনা কাশ্মীরগী ওটোনোমি লৈহন্দ্রবদি ষ্টেট অসি ইন্দিয়াদগী তোক্কনি হায়খ। অসিগুম্বা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল্লোন অসি খক্তবু মীহৌবা ঙসিগী মণিপুরদা লৈরিবা লুচিংবা সেবা পোলিটিসিয়ানশিংগী মফমদগী লৈবা উদ্রে হায়রি। মখোয়না মিনিষ্টর ফম শোয়দ্রগা লোইরে হায়দুনা সেন্টরগী য়াথং ইন্দুনা নৎত্রগা সেন্টরনা হায়রকপা হায়রক্তবা থিদনা মপুং য়ানবা চৎপদা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থবক কয়া লেপ্তুনা তৌরক্লি। পূন্নমক অসিনা তাক্লীবদি ঙসি মণিপুরনা নিংতম্না, মালেমগী মীয়ামগী মাঙদা ফুরুপ অমা ওইবগী মশেক মঙাল লৈনা, নুংঙাই য়াইফনা, চাওখৎপা করিনো খঙনা হিংগে হায়রবদি মদু ঙসিগী ইরমদমদা লৈরিবা হংলাই লৈঙাক নৎত্রগা ইন্দিয়াগী কাংলূপ–ফুরুপ নাইবা লৈঙাক অসিনা পুরক্কদবা নত্তে, ইরমদম মণিপুরগী মীয়ান্না শরুক য়াবা নিংতম লান অমনা ইরৈবাকপু নিংতমহল্লবা মতমদা লাকপা নিংতম্লবা মীয়ামগী লৈঙাক অদুনা পুরক্কদবনি। ৱাফম অসিদং খঙমিন্নদুনা থবক পায়খৎমিন্নবা হৌরবদি ঐখোয়গী নিংতম লানগী খোঙজং মায়পাকপগী লম্বীদা তঙ্খায় হেন্না চংশিল্লবনি। হৌজিক ঐখোয়গী মাংদা তারিবা ঐখোয়না পাঙথোক্কদবা অহানবা থৌদাংদি চাওখৎপা মণিপুর অমগীদমক নীংতম্বা মণিপুর অমা হান্না পুরকপনি হায়না চেরোল অসিনা অরোয়বদা ফোঙদোরক্লি।

# কে সি পি –এম সিনা ক্লেম ..

*লমায় ১গী মখা*

চৎন–কাঙলোন অমা ওইরক্লি। খুদম ওইনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা এম পি ইলেক্সন অদুদা ভোট কানবা হোৎনবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শেল য়েনবদা মীয়াম্না হরাউনা লৌনে। থৌওন্দু হুরানবগী লিচৎনি হায়বসি খঙলবসু খঙনা মীয়াম্না অদুম শেল লৌনরি হায়রি। লাইনিংবা ময়াম্না খুল্লিংবা কেঠৌলিক স্কুলদা লালহৌবগী মিংদা অঙাং ময়াম লান্না এডমিসন তৌরে। এডমিসন তৌরিবা অসিদা কে সি পি–এম সিগী মিংসু পকশিল্লগা পেরেন্টস টিচর এসোসিয়েসনগী লূচিংবা অনীনা অঙাংশিং অসি মিং চনখিবনি। লূপ অসিগী ওইনদি অমুক্তা ফাওবা অঙাং মিংসু চল্লক্ত্রি অদুগা চন্নবসু হোৎনখিবা লৈতে। অদুবু পেরেন্টস টিচর এসোসিয়েসনগী লুচিংবা অনীনা কে সি পি–এম সিগী মিংসু পকশিল্লগা অঙাং ১৬ স্কুলশিং অসিদা মিং চনশিল্লম্বনি। খোঙথাং অসি হন্দোক্লবা চীং লেম্না হায়বদা তাদ্রগদি বোমগী লানদা অসি চখরকপা তাবনি। মসি ইলেক্সনদা শেল লৌরগা মশাকী হক য়োল্লিবা খুনাই অমদা অরানবা থৌওংনি করম্না হায়গদৌরিবনো? ৱাহং অসিলূপ অসিনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামদা হংনিংবা ৱাহং অমনি হায়রি।

লূপ অসিনা মহৈরোই শোক্লেইদবা তানফম য়েংলগা হায়বদি ষ্টদি লিভ লৈবা মতমদা বোমগী লাং অসি থাক্তুনা য়াওল লালহৌগী মিংচৎ থিহনবগীদমক অহানবা অমশুং অরোইবা ওইনা খঙহনবনি।

নাকল অমরোমদা য়াওল লালহৌবু মশক থিহন্নবা হোৎনবদা চেন্নরিবা খুদিংমক লূপ অসিনা মশক খঙবা ঙম্লে। চেন্নরিবা মীওইশিং অসি পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনগী মীওই অনী,মখোয়গা পাউফাওনরিবা মীওই অমা,অঙাং মিং চনবীগে হায়দুনা খোম্না মহৈরোই খরা,য়াওল লালহৌগী মিংদা অকল–অরিং শীংবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা মীওই খরনি হায়রি। য়াওল লালহৌগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরিবা পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনদা য়াওবা কেঠৌলিক স্কুলগী মরী লৈনবা খুদিংমক্লা অথুবা মতমদা মীয়ামদা লাল্লে হায়না চঙজদবা থোক্লগাদি মখা তারকপদদি লূপ অসিনা চখরকপা থৌওংশিংদা লূপ অসিনা কনাগীসু শক–মায় য়েংলোই। করিসু য়াওজদবা কে সি পি–এম সিগী মিংবুসু য়াওনা শীজিন্নরগা মণিপুরগী য়াওল লালহৌবু মশক থিহন্নবা হোৎনবনিনা লূপ অসিনা মখা তানা কৈদৌনুংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লরোই। লিট্টল ফ্লৱার স্কুলদা চখিখিবা থৌওং অদু অহৌবনি,অরোইবা নত্তে। কেঠৌলিক স্কুলশিংনা করিগীদমক য়াওল লালহৌগী মিংচৎ থিহন্নবা শিল্লিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা মীয়াম খঙনা পাউখুম পীদ্রগদি মতুংদা থোক্লকপা অফ–ফত্তগী দায়ত্ব পুম্না মশা–মশানা পুগদবনি। মণিপুর মীয়াম্নসু হেন্না খঙবীরিবা ৱাফমদি হৌখিবা চহী কয়া অসিদা লূপ শেমগৎ–শাগৎনবা হোৎনবদা কে সি পি–এম সি ইরোলনুংদা লূপ্তুনা লৈজরবনি। অদুবু পেরেন্টস টিচরস এসোসিয়েসনগী লুচিংবা খরনা য়াওল লালহৌগী মিং শীজিন্নদুনা অরানবা মওংদা মিং চল্লম্বসি লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈথোক্লোই। লূপ অসিগী ওইনা মিং চন্নবা হায়খিবসু লৈতে অমদি হান্না চনখিবসু লৈতে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পোল্লিং ষ্টেসন ১২দা ঙসি অমুক হন্না ...

*লমায় ১গী মখা*

পোল্লিং ষ্টেসন ৫, থোংজুদা পোল্লিং ষ্টেসন ১, কৈরাওদা পোল্লিং ষ্টেসন ৪ অমসুং অন্দ্রোদা পোল্লিং ষ্টেসন ২দা রিপোল তৌনবা ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরকখিবনি।

হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা এ আর ও অহুম হৈঙাংগী ওইনা আর কে দয়ানন্দ, থোংজুগী ওইনা দাইনা অমসুং কৈরাও অমসুং অন্দ্রোগী ওইনা সোর্নিয়া এলাংবমনা এ আর ও ওইনা মীখল অসি য়েংশিনগনি।

হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা কৈরাও এসিগী ৬। ১০–ক্যামগৈ মুস্লিম (সাউঠ–এ) অসি ক্রিতিকেল পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা লৌবগা লোয়নন মসিদা অখন্নবা মাইক্রোওভজার্ভর অমা হাপ্তুনা য়েংশিনলগনি। লোয়নন পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা মেজিষ্ট্রেল পৱার পীবা সেক্টর ওফিসার অমমমসু থমগনি হায়খি।

হয়েং অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌবিরা পোল্লিং ষ্টেসন ১২ অসিগীদমক পোল্লিং পার্টিশিং শেম শাবা লোইরে। রিপোলগী ওইনা পোল্লিং পার্টিশিং অসিদা এসিষ্টেন্ট কন্মিস্নার, সব দিভিজনেল ওফিসার অমসুং সব দিপ্যুটি কলেক্টরশিং অসিবু প্রিসাইদিং ওফিসার ওইনা মথৌ তৌহনগনি। লোয়নন পোল্লিং ওফিসারশিং অসিনা মাষ্টর ত্রেনর ওইনা ত্রেন তৌরবা মন্দোল, জিলাদার, এস কে অমসুং দি আর দি এগী ওফিসারশিংনচিংবা য়াওরি।

অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক অসি ৱেবকাষ্টিং অমসুং ভিদিও কভরেজ তৌগনি। ভোটর এসিষ্টেন্স বুঠ অসি ভোটর শিং মরুওইনা লৌরি। মসিদা বি এল ওশিংনা ইলেক্টরশিং অসি ইসিআইনা অয়াবা পীরবা ভোট থাদবদা য়াওবা অলটর্নেটিভ দোক্যুমেন্টশিং ভোটর আই দি কার্দ, পাসপোর্ট, দ্রাইভিং লাইসেন্স, সর্ভিস আইদেন্টিটি কার্দ, ফোটো য়াওবা পাসবুক, পেনকার্দ, স্মার্ট কার্দ, জোব কার্দ, হেল্থ কার্দ, ফোটো য়াওবা পেন্সন বুক, ওফিসিয়েল আইদেন্তিতি কার্দশিং অমসুং আধার কার্দশিং অসিগী মনুংদা অমা পায়রগা ভোট থাদবা লাকপীয়ু হায়খি।

বি এল এশিংনা ভেরিফাইদ তৌরবা ভোটরশিং অদুখক্তমক পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা চংহনবীয়ু হায়খি। মীয়াম্না মীখল অসিদা অরানবা থবক চখবীদনবা অমসুং মীখল ইংনা চিক্না পাঙথোকহনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়না মহাক্না আপীল তৌখি।

মসিদা নত্তনা হয়েং রিপোল তৌগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসারশিং অমসুং পোল্লিং ওফিসারশিং জেনরেল ওবজার্ভরগী মমাঙদা রেন্দমাইজেসন তৌখ্রে। মীখল অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পাউ ফাওদোক্লন্দবা লৈতনবা হোৎনবনি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা এস পি ইম্ফাল ইষ্ট জোগেসচন্দ্রা হাউবিজমনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ অসিদা পুলিস হেদক্কাটরগী দাইরেক্সন মতুংইন্না পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা য়ামদ্রবদা সেক্যুরিতিগী প্লেটুন অমদগী তাদনা ঙাক শেনগনি। মীখল অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ৫ অমদি প্লেটুন ২না ঙাক শেনগনি। অদুগা পোল্লিং ষ্টেসন ৭ তনা প্লেটুন অমমমনা ঙাক শেনগনি। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক সি আর পি এফনা ঙাক শেনগনি।

মসিদা নত্তনা পোল্লিং ষ্টেসন অমমমদা ষ্টেট ফোর্স পার্সোনেল ৪০ দগী তাদনা ঙাক শেনগনি। মসিগা লোয়নন নুপী পুলিস মতিক চানা থমগনি।

সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংনা ভোট থাদগদবা মীওইশিং অদুখক্তমক খনগৎলগা চংহনবগা লোয়নন মদু নত্তবা অতোপ্পা মীওইশিংদি মিটর ১০০গী ৱাংমদা লৈগদবনি। অতোপ্পা মফমদগী লাক্লগা পোল্লিং ষ্টেসন অমসুং মসিগী অকোয়বদা লো অমসুং ওর্দর প্রোব্লেম থোকহনবীদবা অমসুং ইংনা চিক্না মীখল পাঙথোকপা য়াহন্নবা ভোট থাদবা লাক্লিবশিং অদু মনিং তম্না অপাম্বা মীরেপতা ভোট পীহনবা ঙম্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙমিন্নসি হায়খি।

হয়েংগী অমুক হন্না ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্টিশিং মখোয় মখোয়গী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংনখ্রে।

# মীওই অমা মীহাৎ থিনা হাৎলম্লে, চেন্নবনি হায়বা ...

*লমায় ১গী মখা*

লৈবনি। থা অসিগী হৌখিবা ১৯দা অরুনগা মহাক্কী নুপী হেলেনগা কন্না খৎনখি। মদুনা মরম ওইরগা হেলেন মহাক্কী মপাম উরুপতা চৎলগনি হায়না চৎখি। অদুবু হেলেন মপামদা হল্লক্তে অথুবা মতমদা থিরগা পুথোরক্কদবনি নৎত্রবদি হাৎকনি হায়না ঙসিদগী নোংম–নীনিগী মমাঙদা হেলেনগী মপামগী ইমুং মনুংনা অরুনদা কিহল্লকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল মহাক্না (গোমতি) ইরিলবুং কৈথেলদা ক্না মনা লৈবা চৎপদা অরুনগা রবিগা লৈমিন্নবা থেংনরকখি। মবান্নি লৈকাই পাঙথোকপা শুমাঙ কুক্কে অমা য়েংবা চৎকনি হায়হৌই। শুমাঙ কুক্কে লোয়রবা মতুং নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা অরুন য়ূমদা হল্লক্লগা চাক চারবা মতুং তুম্বা চৎখি। নুমীদাং পুং ১০.৩০ তারকপা মতমদা গোমতি ফি শারগা লৈরিঙৈদা অরুন ফমুংদগী হৌগৎলক্লগা মহাক মীনা হাৎখিদৌরে, উরুপকী নহারোল অনীনা কৌরগা লৈরে, রবিনা ফম্মগা ঈশৈ ঙংদুনা লৈরে। মচানুপাবু অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংগে হায়দুনা মবুবোক সানাজাওবগা তুমিন্নরিবা মচানুপাবু হৌদোক্লগা য়েংলবা মতুং অরুন য়ুমদগী থোকখি। অরুনা তৌরিবশিং অদু য়ু ঙাওরগা তৌরিবোই নিংদুনা গোমতিনা অরুনবু খাল্লগা, ঐখোয় লৈরবিসিদী কনানা নংবু হাৎকদৌরিবনো হায়খি হায়রি। অদুবু অরুন চত্তবা য়ারোই হায়দুনা চৎখিবনি হায়রি। খুদক্তা গোমতিনা লৈকাইগী নুপী খরা খোম্মগা অরুনবু কোইহিথি থিবদা ফংখিদে। ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা অরুনগী য়ূমদগী কিলোমিটর মখায় অমরোমদমক খারোমদা চৎলগা লৈবা সিফাই লৌ হায়না খঙনবা লৌবুক্তা মীওই অমা শিরগা তাদুনা লৈরে হায়না মীয়াম্না ঙাংনরকপদগী য়েংনরুবদা অরুন ওইরমখিবনি হায়রি। অরুন শিরগা তাদুনা লৈরে হায়না অরুনগী মপা সনাজাওবনা রবিদা পাউ পিখি। অদুবু রবি অরুনা শিরিবা মফম অদুদদি লাক্তুগা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা ওইনা চংলগা লৈরমখি হায়রি।

পুলিসতা পাউপিবদগী ইরিলবুং অমদি পোরোম্পাট পুলিস টিম লাক্লবা মতুং ফোরেন্সিক সাইন্সতা পাউ পিবদগী ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিম লাক্তুনা মেজিষ্ট্রেট য়াওনা অরুনগী অশিবা হকচাং অমসুং অকোয়বা মফম অদু কুপ্না য়েংশিনখি। অরুনগী ঙকশমদা অথৌবা থাংগুম্বা পোৎশক অমনা লেনবগী চাওনা দাকফম লৈবদা নত্তনা পুক্তসু থিবোংথিরিন থোক্লগা লৈরমখি।

খোয়শাওনরগা অরুনগী লৈকাইগী মীয়াম্নসু বামোন কম্পু মখা লৈকাইদা ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী থিংবগী থবক চখখি। চৈরক্তুদা অরুনগী নুপী হেলেনগা লোয়নন মপামগী নুপী খরা পুঙৌ ফনেক শেৎলগা লাকখি। মদু উবদা অরুন শিরে হায়বগী পাউসু পিদনা করম্না পুঙৌ ফনেক শেৎলগা লাক্লিবো হায়না ইরাং হৌরক্তুনা মীহাৎ অসিদা নখোয়সু য়াওরমগনি হায়দুনা লৈকাই মীয়াম্না হেলেনবু ফারগা ক্লব মনুংদা পুশিন্দুনা থমখি।

পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা, ইম্ফাল ইষ্ট ৱুমেন পুলিস য়াওনা অহেনবা পুলিস পার্সোনেলশিং থোমজিলক্লগা অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা হেলেনবু খুঁলৈ থুনা ক্লব মনুংদগী পুথোরক্লগা পুলিসকী বুলেট প্রুফ গারী অমদা হাপ্লগা পুখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা বামোন কম্পু কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রবি লৈকাইদগী তাম্ছোকপা ৱারেপ লৌবগা লোয়নন ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না রবিগী য়ূম থুগায়খ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা অরুনগী অশিবা হকচাং ইরিলবুং পুলিসকী টিম অমনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগীদমক জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। অদুবু মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং চপ–চানা পুথোক্লিফাওবা অশিবা মশা লৌখিরোই হায়রি।

# নিয়ম চুম্না ভোট তৌখিদবা অসি পুৱারিদা লৈহৌরগনি...

*লমায় ১গী মখা* লোয়নন পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা কেমেরা খিনগনি হায়খ্রগা ২৫৫ রোমদা খিল্লম্লিবা অসি করিগীনো? মরু ওইনা হৈঙাং কেন্দ্রদা সি সি টি ভি কেমেরা অমত্তাং খিল্লমদবা অসি লৌতুনবা লৈব্রা হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া ই সি আইদা হংজখিবদুগী পাউখুম সি পি আই না খৌরাংনা ঙাইরিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রশিংদা নিয়ম চুম্না ভোট তৌখিদবদগী রিপোল তৌনবা ৱাফম লাক্লিবনি। ভোটরশিংনা ভেরিফিকেসন তৌবগী শক্তাক চে অদু ফোর্ম নং এ দা লোইনা ইগদবনি। হয়েং রিপোল তৌগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসি য়াম্না শাথিবা মফমশিংনি।

মরুওইনা হৈঙাং কেন্দ্র অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক রিপোল তৌবীনবা হায়জখিবনি। রিপোল তৌনবা থোক্লিবা পোল্লিং ষ্টেসন অসি ২।২৫ অসি রিপোল তৌগদবনি হায়না কমপ্লেন তৌবদা য়াওবনি অদুবু রিপোল তৌনবা থোকপা ওর্দরদদি য়াওরক্ত্রে। হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা পুন্না ভোটর ৬১২ লৈবনি। অদুগা ৬০৯ ভোট থাদরিবা পোল্লিং নি মসিদা রিপোল তৌরোইদবগী মরম করিনো। হৈঙাং কেন্দ্র অসি পোল্লিং অমত্তা নিয়ম চুম্না পাঙথোকখিদবগী পাউ লেপ্তুনা লাক্লিবনি। অদুবু হৈঙাং কেন্দ্রগী ওইনা পোল্লিং মঙাখক্তা রিপোল তৌনবা থোক্লক্লি। অন্দ্রো কেন্দ্রদসু পোল্লিং তরেৎ রিপোল তৌনবা হায়জখিবনি অদুবু পোল্লিং অনী খক্তা রিপোল তৌনবা ওর্দর থোক্লককখি। হন্দক্কী লোক সভা ইলেক্সন অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না পাক শান্না নিয়ম চুম্না ভোট পাঙথোক্ত্রে খঙলকপদগী তৌদবা য়াদবগী মমিংগী ওইনা রিপোল তৌরকপনি।

অদুবু হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা মরুওইবা মীহুৎশিংগী কেন্দ্রদা নিয়ম চুম্না ভোট তৌখিদবগী রিপোল তৌবা অসি মণিপুগী পুৱারিদা লৈহৌরগনি। অরানবা তৌবশিংগী মকোল ওইরে হায়বসিসু মীয়াম্না খঙনরে হায়না ফোঙদোকখি।

# এম এল এ ...

*লমায় ১গী মখা*

পুলিস ষ্টেসনা আই পি সিগী সেক্সন ৩৫৩ / ৫০৬ / ৩৪১ অমদি এস সি / এস টি প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটি এক্ট ১৯৮৯গী সেক্সন ৩(১) এক্স অমদি আর পি এক্ট ১৯৫১গী সেক্সন ১৩১(১) (বি)(২)গী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎখি।

# চীফ মিনিষ্টরগী হৈঙাং কেন্দ্রদা রিপোল তৌহনবা...

*লমায় ১গী মখা*

করম্না তৌরমগনি হায়খি। মসিদি খুৎনা থেকপা য়াবা খরদনি, মনুংদা ফোঙদোকপা ঙমদবা, হায়দোকপা ঙমদবা মফম কয়াদা থৌদোক কয়া লৈরিবনি। মীখলদা ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইবা ঙমদবা ইম্ফাল ময়োলদা অসিগুম্বা পাক শন্না রিগ্গিং তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি।

মীখলদা ওইদা পাদবা পাম্বে শিজিন্নরগা মায় পাকহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়াম্বু মনিং তমনা অপাম্বা মীওই খলহনবগী তঙাইফদবা লৈ। লাল্লে খঙলবা থবক অমুক হন্না তৌবীরনু হায়খি।

মহাক্না হায় পোল্লিং পাসেন্টেজগী চাং ৱাংবা অসি কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপতা চাউনা কান্নগনি। কোংগ্রেস পার্টিদি শেল থুম লৈজবা পার্টি নত্তে। মীখল অসি য়াম্না ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মীখল অসি চুম্নগী আপীল তৌরগা মীয়াম্না নুংশিবিরিবনা হন্দক্কী মীখিল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা শোয়দনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা রিপোল অসিমক্লা কোংগ্রেস পার্টিদা চাউনা ইনোৎ অমা পীবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীখল অসি চৎন কাঙলোন কায়দনা চৎলম্লবদি কোংগ্রেসনা শোয়দনা মায় পাক্কনি।

মীখল অসিদা ই ভি এম থম্বা ষ্ট্রোংরুম হাংলুবগী ৱাফম চুরাচান্দপুরদা তাখ্রে। মীখল ঙন্না লোইখ্রবা ফাওবদা ইভিএম য়াম্না থেংনা দিপোজিৎ তৌবগী ৱাফম তারিবা অসি নুংঙাইতে। মসিগী মরম করিগীনো হায়বদু শেঙদোকপা চংই হায়খি।

লৈঙাক পায়রি হায়দুনা লৈরিবা মতিক ময়াই লান্না শিজিন্নবদি চুম্লোই। ইভিএমদা শান্নবা লৈরব্রা হায়বগী চীংনবা লৈ। মতম চানা ইভিএম দিপোজিৎ তৌদবগী মরম অসি ইলেক্সনগী মরী লৈনবশিংনা শেঙদোকফম থোকই হায়খি।

করি মরমগীদমক ষ্ট্রোংরুম অসি হাংনিংবা মতমদা হাংলিবনো হঙখি।

# হুন্দোকফম পীবিদবদগী ইম্ফাল...

*লমায় ১গী মখা*

শিজিন্নদুনা অমোৎ অকায়শিং লংথোক্লম্বনি। হৌজিক তেম্পররি দম্পিং সাইট অসি অমোৎপা হৈদোকফম লৈরক্ত্রে। মসিনা মরম ওইরগা অমোৎ অকায় হুন্দোকফম লৈরক্তবনি। মফম অসিদা শরুক খরা লৈরিবা অদুসু আই এম সিনা মখোয়গী ওইনা হুন্দোকফম ওইনা থম্লগে হায়রকপদগী অমোৎপা হুন্দোকফম লৈতদুনা এন জি ওশিংনা থবক লেপ্লকপা নুমিৎ ৩ রোম শুরক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, আই এম সিগী তেম্পররি দম্পিং সাইট ওইরিবা একা ত্রেন লম্পাক অসিদা এন জিওশিংনা নোংমদা গাড়ী লোদ ১২০ দগী ১৩০ ফাওবা অমোৎ অকায়শিং থাদরম্বা অদু হৌজিক কদায়দা থাগদগে হংখি।

ইম্ফাল মনুংগী অমোৎপশিং অসি এন জি ওশিং অসিনা পুং অমখক্তং শেঙদোক্তবা মতমদা সিতি মনুংদা অমোৎ অকায়না পৈরিবনি হায়খি।হৌজিক অমোৎপা হৈদোকফম লৈতবনা মরম ওইরগা লৈকাই লৈকাইগী অমোৎপশিং খোমদোক্তবনা মরম ওইরগা এন জি ওশিং অসি মীৱা তান্নরে হায়রি। অমোৎপা হুন্দোকফম লৈতবনা মরম ওইরগা অমোৎ অকায় পীক থন্না য়াওবা গাড়ী কয়া ইম্ফাল সিতি মনুংগী মফম কয়াদা খামদুনা লৈরিবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্না অমোৎপা হুন্দোকফম মফম অমদি শেম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না পাউ অসিনা হায়রি। লৈঙাক্না লমদেংগী সোলিদ ৱেষ্ট প্লান্ট অসিদা লৈরিবা দম্পিং সাইট অসি অথুবা মতমদা শিজিন্নবা য়ানবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

# দ্রাইভরশিং ষ্টারিং পায়দবগী...

*লমায় ১গী মখা*

অথুবা মতমদা অরানবা ৱাফম কয়া শন্দোক্তুনা দ্রাইভরশিংগী থবক–থৌরমদা অপনবা পীরক্লিবা ভুপেনচন্দ্র ঘোসকী মথক্তা মরী লৈনবা ওঠৌরিটিনা এক্সন লৌদ্রিবা ফাওবা ষ্টারিং পায়দবগী খোঙজং হন্দোকখিরোই হায়না মুক্তানা মখা তাখি। অমরোমদা,ঙসিগা থারগা নুমিৎ নীনি চুপ্না ষ্টারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা দ্রাইভরশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। য়াইরিপোক অংথাদগী দ্রাইভর ওইনা থৌ পাঙথোক্লিবা কোম্ছৌজম সিখোর্জিৎ কৌবা মীওই অমনা হায়,য়ুমদগী গাড়ী থৌদুনা শেল খরা তাল্লগনি হায়বা ৱাখল্লোন দা লাকখিবনি। অদুবু চয়েৎনরিবা অসিনা মরম ওইরগা দ্রাইভর কয়াদা নীংহন্নবা ওইহল্লে। দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি মখা তানা শাংথরক্লবদি মীয়ামগী ওইনসু অৱাবা ওইগনি। অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওঠৌরিটিনা চয়েৎনরিবা অসি লোইশিলহন্দুনা দ্রাইভরশিংবু গাড়ী থৌবা য়াহনবিয়ু,ইথৌ তৌহল্লু হায়খি।

# মহৌশাগী লন লৈবনা হোৎনরবদি মণিপুর ...

*লমায় ১গী মখা*

পুৱারীগী থৌদোক অদু ঙসিগী মীরোল অসিদা পাউদমদুনা ঐখোয়দা লৈবাক নুংশিবগী কখোকপগী পাউজেল পীরি।

হৌজিক্কী মীরোল ঐখোয়না লমদম অসি ৱাত্তা–পাদবা,নুংশি চান্নবা চাউখৎ লমজেলদা থোং মান্নবা য়াওনবা হোৎনবসিনা লেঙদবা থৌদাংনি হায়না ৱারেপ লৌবা চঙই। মদুতদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপগী অশেংবা ৱাহম্ছোক লৈগনি।

তুংগী মীরোলনা ঐখোয়বু অফবা তৌরম্বনি হায়না শোন্নবা ৱাখল্লোন দা ঐখোয়না থবক তৌরবদি মণিপুর কাইরোই। মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী তাদনা তোঙানবা লৈবাক অমা ওইগনি। অদুনা ঐখোয় পুকচেল শেংনা কখোকপগা লোয়নন তুংগী মীরোলগীদমক অমদি ঙসিগী মীরোলগীদমক থবক তৌমিন্নসি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার,মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর টি রোবিন্দ্রো, মণিপুর পুলিসকী দি জি এল এম খৌতে, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ,ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার অমদি অতৈ কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং,লৈঙাক্কী থৌমীশিং,মহৈরোই লূপশিং অমদি লমদম অসিগী কাঙলূপ কয়াগী মীয়াম্না ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা হৈকৎ–লৈকৎ তমদুনা অথৌবশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।